# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Sunday, January 10, 2021, Imphal — Page 11






নৌনা নুপীগী টেন্নিসদা মমিং চৎখৎলক্লিবী মশাগী চহী ১৯ শুরবী হন্দক্তা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়না মশামক্না ইন্সটাগ্রামদা পোষ্ট তৌরকখিবী ৱর্ল্ড নম্বর ৩০দা লৈরিবী য়ু এস এগী অমান্দা অনিসিমোভা

আই এস এলগী মেটচ অমদা এফ সী গোৱাগী অলেকজেন্দর রোমারিওদা ফাউল তৌরুবদা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎখ্রবসু এ আই এফ এফকী দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা দিসিজন অদু চৎনহনখিদ্রবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী দেনি ফোক্স

## রাউন্দ গ্লাস পঞ্জাব এফ সী, চেন্নাই সিটি এফ সী অমসুং মহমদন স্পোর্টিং মখোয়-মখোয়গী মেটচ মায় পাকখ্রে



রাউন্দ গ্লাস পঞ্জাব এফ সীগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মণিপুর মচা নিংথৌজম প্রিতম (ময়াই)

কোলকাটা, জন্যুৱারী ০৯(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই-লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী কোলকাটাগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল গ্রাউন্দ অহুমদা শান্নবা হৌখ্রে। রাউন্দ গ্লাস পঞ্জাব এফ সী, চেন্নাই সিটি এফ সী অমসুং মহমদন স্পোর্টিং ক্লব মখোয়-মখোয়গী অহানবা মেটচশিং অদু মায় পাকপা ঙমখ্রে।

কলয়ানি ম্যুনিসিপাল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা রাউন্দ গ্লাস পঞ্জাব এফ সী অমসুং আইজোল এফ সী লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক হৌবদগী লম্বা মান্ননা অমনা অমগী মায়কৈদা প্রেসর পীদুনা শান্নবা ঙমখি। হৌরকপদা বোল পায়বগী চাং আইজোল এফ সীনা খরা হেনখি। অদুবু মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ১৮শুবা মিনটতা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা নিংথৌজম প্রিতমনা চন্দুনা আইজোল এফ সীবু ঙন্না মাঙজিল থারগা লৈখি। মেটচ অদুগী মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা রাউন্দ গ্লাস পঞ্জাব এফ সীনা ১-০দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখি।

কোলকাটাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মফম অদুগী ক্লব মহমদন স্পোর্টিং অমসুং সুদেভা দেল্লি এফ সী লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল চনবা ঙম্লখিদে। অদুবু মহমদন স্পোর্টিংগী মায়কৈদগী হাফ অদুগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা তাঞ্জা অদু ১৭শুবা মিনটতা রাফেল ওনদ্রেবানা পাঞ্জল চলহৌদবা অদুনি। অনীশুবা হাফকী মিনট ১৩ চঙশিল্লকপদা মহমদন স্পোর্টিংগী মায়কৈদগী অলি ফৈজলনা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১-০দা মায় পাকখি।

কলয়ানি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা চেন্নাই সিটিনা গোকুলম কেরলাবু ২-১দা থোইখি। চেন্নাই সিটিগী মায়কৈদগী এলভেদিন অমসুং নাগাপননা পাঞ্জল চনখি। অদুগা কেরলাগীনা ভেনিস অর্ন্টুইনা চনখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Chennai City FC | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | 1 | 3 |
| 2 | Mohammedan SC | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | 3 |
| 3 | Punjab FC | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | 3 |
| 4 | Churchill Brothers | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 5 | Indian Arrows | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 6 | Neroca FC | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 7 | Real Kashmir | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 8 | TRAU | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 9 | Gokulam FC | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| 10 | Aizawl | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |
| 11 | Sudeva | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |

## জপানগী প্যের এস ওয়ামা অমসুং ঈ সিবাহারা নুপীগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

অবু ধাবী, জন্যুৱারী ০৯(এজেন্সী):

অবু ধাবী ৱিমেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসতা ৫শুবা সিদেদ প্যের ওইরিবা জপানগী এস ওয়ামা অমসুং ঈ সিবাহারা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। মখোয়না ২শুবা রাউন্দ শান্নগদবা লম্বা চেক রিপব্লিককী কে মুকোভা অমদি এম বোন্দ্রোসোভা শান্নবা লাকখিদবদগী ৱাক ওভর ফংখিবনি। জপান প্যের অসিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ প্যের চাইনিজ টাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমদি চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রেজিকোভাগী প্যেরগা থেংনরগনি।

কাঙলূপ অসিগী ওইনা য়ু এস এগী জে ব্রাদি অমদি স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী প্যের ঈ অলিজান্দ্রোভা অমদি ৱাই সিজিকোভাবু ৬-৩, ৬-৪দা থোইদুনা মখোয়সু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। মখোয়না ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা প্যের অদুদি অর্জেন্টিনাগী পোদোরোস্কা অমসুং স্পেনগী সোরিবস টোর্মোবু ৬-৪, ২-৬, ১০-৬তা থোইরম্বা জর্মনিগী এল সিজমুন অমসুং রসিয়াগী ভি বোনারিভানি।

নেদরলেন্দসকী এ রুস অমদি স্লোভেনিয়াগী টি জিদানসেকনা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এস এগী সোফিয়া কেনিন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী এ টোমলিয়ানোবিচকা লম্বা তৌনরগনি। রুস অমদি জিদানসেকনা অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী প্যের জে পাওলিনি অমদি এম ট্রেবিসনবু ৭-৬ (৭-৫), ৬-৩দা থোইরমখি। অমরোমদা, কেনিন অমসুং টোমলিয়ানোবিচনা চাইনাগী প্যের ৱাই জু অমদি জি য়াংবু ৬-৩, ৭-৬ (৭-৪)দা মায়থীবা পীরম্বনি।

য়ু এসকী ঐচ কার্টর অমদি ব্রাজিলগী এল ষ্টেফানিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগী প্যের ভি কুদরমেটোভা অমসুং এ পোটাপোভাগা লম্বা তৌনরগনি। কার্টর অমদি ষ্টেফানিনা মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী কসাটকিনা অমদি ইষ্টোনিয়াগী কোন্টাভেটপু ৬-৩, ৬-৪দা থোইরম্বনি। অমরোমদা, কুদরমেটোভা অমদি পোটাপোভানা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী দি স্কুর্স অমদি য়ু এসকী মেলিসরবু ৬-২, ৬-২দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ুক্রেনগী ঈ স্বিটোলিনা অমসুং রসিয়াগী ঈ অলিজান্দ্রোভা অহুমশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনরগনি। স্বিটোলিনানা বোনারিভাবু ৬-৪, ৬-১দা থোইরমখি। অদুগা অলিজান্দ্রোভানা গ্রেট বৃটেনগী ৱেটসনবু ৭-৫, ৬-৭ (৭-৯), ৬-৩)দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় কুদরমেটোভানা অহুমশুবা রাউন্দদা স্পেনগী পি বাদোসাগা লম্বা তৌনরগনি। বাদোসানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটপু ৬-৪, ৬-৪দা থোইরমখি। কাজাখষ্টানগী শান্নরোয় ঈ রাইবাকিনা অমসুং রসিয়াগী কসাটকিনানা অহুমশুবা রাউন্দদা থেংনগদৌরি।



অবু ধাবী ৱিমেন্স টেন্নিস ওপনগী নুপীগী দবলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা জপানগী ওয়ামা অমসুং সিবাহারা

## পূন্সিবু নুংশি : খ্বাইদগী অহল ওইরবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন



বুদাপেষ্ট, জন্যুৱারী ০৯(এজেন্সী):

ঙসি মশাগী চহী ১০০ শুরবী খ্বাইদগী অহল অমা ওইনা হিংদুনা লৈরিবী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন এগনিস কেলেটিনা পূন্সিবু নুংশি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ঙসি অঙনবদা মশাগী চহী ১০০ শুবগী কুমওন পাঙথোকপদা জিম্নাষ্টকী লম্দা ওলিম্পিক মেদল কয়া লৌবা ঙমখ্রবী এগনিজ কেলেটিনা মহাক চহী ৬০ রোমতা ঙাইরিবদৌনা মশাদা ফাওই হায়না ফাগি তৌখি। কুমজা ১৯২১দা পোকখিবী এগনিস ক্লেন হায়না মিং কৌরম্বী জিম্নাষ্ট অসিনা মহাক্কী নৌরিঙৈগী মশান্না অদু ৱর্ল্ড ৱার-টুনা অপনবা কয়া পীদুনা মহাক্কী করিয়র অদু তেনশিনখি।

মহাক্কী হৌরকফম অসি জ্যুৱিশকা মরী লৈনৈ হায়দুনা হঙ্গেরিগী জিম্নাষ্টিক টিমদগী লৌথোকখি। মদুগী মতুং তারকপদা মহাক হঙ্গেরিগী খুঙ্গং অমদা মমিং ওন্থোক্তুনা লোৎতুনা লৈখি। মহাক্না ফ্লোর এক্সর্সাইসতা গোল্ড মেদল অমগা লোয়ননা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অনীসু ১৯৫২ হেলসিনকি ওলিম্পিক গেমসতা ফংবা ঙমখি।

## এফ এ কপকী ৩শুবা রাউন্দদা লিভরপুল অমসুং লেষ্টর মায় পাকখ্রে

লন্দন, জন্যুৱারী ০৯(এজেন্সী):

মালেমদা খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফুটবোল এসোসিএসন চেলেঞ্জ কপ মীয়াম্না শম্না এফ এ কপ হায়না খঙনরিবা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা নোক আউট ইংলিশ দোমেষ্টিক টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা প্রেমিয়র লীগকী চেম্পিয়ন লিভরপুল অমসুং লেষ্টর সিটি মায় পাকপা ঙমখ্রে। টুর্নামেন্ট অসি ইংলিশ ফুটবোলদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা লেভেলগী টিমশিং য়াওনা শান্নবনি। প্রেমিয়র লীগকী টিম ২০ অমসুং ইংলিশ ফুটবোল লীগকী টিম ২৪ য়াওনা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা লিভরপুলনা এষ্টন ভিল্লাবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইখি। অদুগা লেষ্টর সিটিনা ষ্টোক সিটিবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি ভিল্লা পার্কতা শান্নখিবা মেটচ অদুদা লিভরপুল অমদি য়ূন্থু এষ্টন ভিল্লা লম্বা তৌনরকপদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা য়াম্না ঙন্না সাদিও মানেনা টিমমেট কর্টিশ জোন্সনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তারকপা পুংখায় হেনবা মতম অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। ৪১শুবা মিনটতা এষ্টন ভিল্লাগী মায়কৈদগী কেলম রোৱিনা পীরকপা বোলদা লুই বেরিনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা অহানবা হাফ ১-১দা লৈনখি। অনীশুবা হাফকী শুপ্নগী মিনট ৫গী মনুংদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ নৌনা হাপচিনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা জোর্জিনিও ৱিজনাল্ডমনা টাকুমিনামিনোনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল অমা চনখি। মদুগী মতুং ৬৩শুবা মিনটতা সাদিও মানেনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু জর্দান সাকিরিনা পীরকপা বোলদা চনখি। লোয়ননা ৬৫শুবা মিনটতনা মহমদ সালানা সাকিরিদগী ফংবা বোলদা লিভরপুলগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৪-১দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা লেষ্টর সিটি অমদি ষ্টোক সিটি লম্বা তৌনখি। পুংখায় অমরোমগী মতম পাঞ্জল চন্নখিদে। ৩৪শুবা মিনটতা লেষ্টরগী দেনিশ প্রেটনা পীরকপা বোলদা জেমস জষ্টিননা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা লেষ্টরগী মার্ক অলব্রাইটননা য়ুসুফ টেলমানা পীরকপা বোলদা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা টিমোথি কষ্টেননা পীরকপা বোলদা অয়োজ পেরেজনা চনখি। অদুগা ৮১শুবা মিনটতনা লেষ্টর সিটিগী হার্বি বর্নসনা মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি।

অহুমশুবা রাউন্দদা মায় পাকখিবা টিমশিংগী মনুংদা এবর্টন, ৱোলভরহেমটন ৱান্দরস, নোটিংঘম ফোরেষ্ট, শেফিল্ড য়ুনাইটেদ, ফুলহাম অমসুং স্বানসে সিটিনি

## সেরেনা ৱিলিয়মস অমসুং নাওমি ওসাকাসু এদলেদতা থুংলরগনি

এদলেদ, জন্যুৱারী ০৯(এজেন্সী):

নুপীগী টেন্নিসতা মমিং লৈরবী য়ু এসকী শান্নরোয় সেরেনা ৱিলিয়মস অমসুং জপানগী নাওমি ওসাকানা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট শরুক য়াদ্রিঙৈ মাংওইননা এদলেদতা ক্বারন্টিনগী মতম লৈরবা মতুং এগজিবিসন মেটচ য়াওননবা নুপাগী শান্নরোয় রাফেল নদাল অমদি নোভাক জোকোবিচকা পূন্না শান্নমিন্নগদৌরি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টুর্নামেন্টকী দিরেক্টর ষ্টিভ টাইলিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মাংজেনিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী নম্বর ৱান টেন্নিস শান্নরোয় এস্লি বার্টি অমদি রোমানিয়াগী শান্নরোয় সাইমোনা হালেপসু শান্নরোয় ৮না শরুক য়াদুনা শান্নগদৌরিবা এগজিবিসন অদুদা য়াওগদৌরি। মরক অসিদা, ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মসু নৌনা য়াওরগনি হায়না দিরেক্টর ষ্টিভ টাইলিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোলগী মতুংইন্না ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা টুর্নামেন্ট হৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা নুমীৎ ১৪নিগী ওইবা ক্বারন্টিনগী পেরদ হোটেলদা লৈহনগদৌরি। অদুবু হোটেলদা লৈনা-লৈনা শান্নরোয়শিং অদুনা নোংমদা পুং ৫গী ওইবা প্রেক্টিস সেসনশিং য়াওবা য়াবগী অয়াবা অদুদি টেন্নিস ওষ্ট্রেলিয়ানা পীরি হায়না দিরেক্টর অদুনা মখা তাখি।

## এম সী এগী ট্রেনিং এন্দ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯(ঐচএনএস):

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা অম্পায়র অমদি স্কোররশিং অমদি অনৌবা কেন্দিদেটশিংগী ওইবা ‘অম্পায়র্স এন্দ স্কোরর্স ট্রেনিং এন্দ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম’ অমা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রেসতা খঙহল্লক্লি।

ক্রিকেট শান্নবদগী পোত্থারবা নৎত্রগা নৌনা শরুক য়ানিংবা মীওইশিংনা হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিদা য়াওননবগীদমক মখোয়গী মরী লৈনবা চে-চাংগা লোয়ননা করিক্যুলম ভিটে (সী ভি) অদু লুৱাংশংবমদা লৈবা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী ওফিসতা থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা থাগৎলকপা য়াগনি হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী জেনরেল মেনেজর টোমি থিংঙোমনা খূৎয়েক পীবা চেরোল অমনা হায়রি।


**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR**

**Ref :- Mutation case no. 5/AS & SO-III Date 7/1/2021**

Brahmacharimayum Sanahanbi Devi W/o Late Brahmacharimayum Anando Sharma of Wangkhei Yonglan Leirak, Imphal East.
-Petitioner

-Vrs-

Brahmacharimayum Anando Sharma S/o Late B. Gourachandra Sharma of Wangkhei Yonglan Leirak, Imphal East. -O.P.

**/ NOTICE**

Imphal, 9-1-2021

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 27-Wangkhei Nongpok পাট্টা নং ১৯২/অংশ অরিবা ২৮২/৯০৭, ১৫৯৫/১৮৪২ অনৌবা দাগ নং ১২৭০/২৭১৪, ১৩৬৩/১৫৬১ এরিয়া ০.০০৬৮, ০.১২ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Brahmacharimayum Anando Sharma মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্য অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৭/১/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-III**
Manipur

HL-P/8529/10



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; YAIRIPOK**

**Ref :- Mutation Case No. 05/SDC/YPK/2021 Date:8/01/2021**

Parties :

Khomdram Hemchandra Singh S/o (L) Kh. Birahari Singh of Khoirom.
-Petitioner

-Vrs-

(Late) Khomdram Birahari Singh S/o (Late) Chaoba Singh of Khoirom.
-Opp

**/ NOTICE**

8th January, 2021

Under section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১১০-খোইরোম পাট্টা নং ১৩৪ অনৌবা দাগ নং ১০৬৯ এরিয়া .২১০০ হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার খোমদ্রাম বিরহরি সিংহ পীতা মৃ: চাওবা সিংহ সাং খোইরোমদা লৈবা অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা মহাক্কী মচানিপা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চেপীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

HL-B/6691/10 Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Yairipok



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; YAIRIPOK**

**Ref :- Mutation Case No. 06/SDC/YPK/2021 Date:8/01/2021**

Parties :

Nameirakpam Nabakanta Singh S/o (L) Tenden Singh of Leirongthel.
-Petitioner

-Vrs-

Late Nameirakpam Tenden Singh S/o (L) Mera Singh of Leirongthel.
-Opp


**/ NOTICE**

8th January, 2021

Under section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১১১-লৈরোংথেল পাট্টা নং ১১২ অনৌবা দাগ নং ৯৪, ৩৩৯ অমসুং ৩৯৪গী এরিয়া .২১০০, .১১৫০ অমসুং .২৭০৯ হেক্টর চাওবা ইংখোল অমসুং ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার নামৈরাকপম তেনদেন সিংহ পীং মৃ: মেরা সিংহ সাং য়াইরিপোক লৈরোংথেলদা লৈবা অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা মহাক্কী মচানুপা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অমসুং ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

HL-B/6691/10 Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Yairipok


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1**

**Kurtz, Eric M (1868) - Wang, Tianqi (2329)**
**PRO League Group Stage (2), 2019.01.16**

1.c4Nf62.g3e63.Bg2c54.Nf3Qc75.O-Oa66.b3d67. Bb2Be78.d4cxd49.Nxd4O-O 10.Nc3Nc611.Rc1Nxd412. Qxd4Bd713.Rfd1Rfd814.h3Be815.Qe3Rac816.Qa7Rb817. Kh2Nd7 18.Ne4Bf819.Ba3Ne520.Qe3Qa521.Bxd6Bxd622. Nxd6Nc623.Qd2Qa324.c5Ne7 25.Qc2Bc626.e4Ng627. f4h628.Qf2Nf829.f5exf530.Qxf5Rd731.Rf1f632.Rc2Re733. Qg4Bd7 34.Qd1Be635.Qc1Qa536.Qb2Ng637.b4Qc738. Rd1Ne539.a3Rd840.Rcd2Red7 41.Nf5Kh742.Rxd7Rxd743. Rxd7Qxd744.Nd6Qc645.Qc2b646.Kg1bxc547.Qxc5Qd748. g4Qa4 49.b5Qd1+50.Kh2axb551.Nxb5Qd252.Qc3Qf253. Qg3Qc554.a4Qb455.Qa3Qd2 56.Qc3Qa257.Qa3Qf258. Qg3Qc559.Qa3Qc260.Nd4Qc761.Kg1Qb662.Qe3Qb1+ 63.Kh2Bxg464.a5Bc865.Nf5Qb866.Kg1Nc467.Qg3Qa7+68. Kh2Nxa569.h4Nc4 70.h5Bxf571.exf5Ne572.Qf4Qf773. Qh4Qa274.Qg3Qe275.Qh3Ng4+76.Kg3Ne3 77.Kh2Qf278.Qg3

**QUESTION :**
**Black wins in 4 moves**
**[Answer in the Next Issue]**


**SMART TUTORIAL CENTRE**

**ADMISSION OPEN**

**Revision Course 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)

**Foundation 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)

**Commences on 10th & 20th January 2021**

- Special fee concession for former student
- Regular mock test with analysis
- Well structured study material
- Separate hostel for boys & girls

*For details please visit* **Smart Tutorial Centre**
**Singjamei Super Market # 8730999192 / 9366048860**

HL-P/8361/28/12-26/01